# চহী অসিদগী হৌনা হজকীদমক মুস্লিমশিংদা সবসিদি পীররোই হায়না লাউথোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সী):
চহী অসিদগী হৌনা হজকীদমক মুস্লিমশিংদা সবসিদি পীররোই হায়না মাইনোরিটি এফেয়র্স মিনিষ্টর মুখটার অবাস নকবিনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা মওংদা মুস্লিম লাখ ১.৭৫ চহী অসিগী ওইনা হজগী থৌরমদা শরুক য়াগনি। অদুবু মমাঙঙৈগা মান্নদবা মওংদা সবসিদি পীবদি তৌররোই। হজগী থৌরমদা শরুক য়াগদৌরিবা মুস্লিমশিংদা সবসিদি পীদবা তারবসু চৎথোক-চৎশিন তৌবদা শেল হেন্না চঙবগী ৱাফম লৈরোই।

পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হায়খি, সবসিদি পীগদবা শেনফমনা মীশীং য়ামজদবা কাঙলূপ, মরুওইনা নুপীমচাশিং মহৈ-মশিন তমহনবদা শীজিন্নগনি। মুস্লিম অমদি মীশীং য়ামদবা ফুরুপকী নুপীশিং মতিক-ময়াই হাপকৎনবা থৌরাং কয়া লৌখৎপা হৌরগনি।

কুমজা ২০১৭ তা মিনিষ্ট্রি ওফ মাইনোরিটি এফেয়র্সনা কম্মিটি অমা শেমদুনা হজ পোলিসি য়েংশিনহন-খিবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৮-২২গী অনৌবা হজ পোলিসি অমা শেমখিবনি। কুমজা ২০১২ দা কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈদা সুপ্রিম কোর্টকী কন্সটিট্যুসনেল বেঞ্চ অমনসু হজগী থৌরমদা শরুক য়াবা মুস্লিমশিংদা সবসিদি পীবগী থৌরাং লেপহন্নবা য়াথং পীখি। কম্মিটিগী রেকমেন্দেসন মতুংইন্না হন্দক চহীদগী হৌনা অনৌবা থৌশিল চৎনহন্দুনা হজগী থৌরমদা শরুক য়াবা মুস্লিমশিংদা সবসিদি পীররোই।

অমরোমদা, খ্বাইদগী অহানবা ওইনা হন্দক্কী চহী অসিদা মুস্লিম নুপী ৩২ নুপা মপাং অমত্তা য়াওদনা হজগী থৌরমদা শরুক য়াহনগদৌরি। হায়রিবা নুপী ৩২ অদুগী মনুংদা লক্ষ্ণৌদগী ১২, কানপুরদগী ১২, লোয়ননা অমেথি অমসুং গোন্দাদগী ৪/৪ য়াওরি। মমাঙদা মিনিষ্ট্রি ওফ মাইনোরিটি এফেয়র্সনা মশাগী চহী ৪৫ হেল্লবী নুপীশিং নুপা খোঙলোয় অমত্তা য়াওদনা হজগী থৌরমদা শরুক য়াবা হৌরগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি। হৌখিবা দিসেম্বর ৩১ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মন কি বাট থৌরমদা ৱা ঙাঙখিবা মতমদসু মুস্লিম নুপীশিং নুপা খোঙলোয় য়াওদনা হজগী থৌরমদা শরুক য়াবা ফংহল্লগনি হায়না ফোঙদোকখি। মুস্লিম নুপী চা কয়ানা নাইতোম হজ চৎনবগী অয়াবা পীবীয়ু হায়না ৱাকৎলকখ্রবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

হন্দক্তসু কেরলাগী মুস্লিম নুপী ৪ না নুপা খোঙলোয় অমত্তা য়াওদনা হজগী থৌরমদা শরুক য়ানবগী অয়াবা পীবীয়ু হায়না মাইনোরিটি এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিদা অইবা চেরোল পীশিল্লকখি। মমাঙগী চহীশিংদদি মুস্লিম নুপীশিংনা ইমুং-মনুং অমদি মরী-মতা ওইবা নুপা খোঙলোয় য়াওদনা হজগী থৌরমদা শরুক য়াবা য়াহল্লমদবনি। হজ রিভিয়ু কম্মিটিনা অনৌবা থৌশিল অমা শেমদুনা পীরকখিবা রেকমেন্দেসন মতুংইন্না চহী অসিদগী হৌনা মশাগী চহী ৪৫ হেল্লবী মুস্লিম নুপীশিং নুপা খোঙলোয় অমত্তা য়াওদনা হজগী থৌরমদা শরুক য়াহল্লগনি হায়রি।

# সুপ্রিম কোর্টকী জজ মশেল মোত মান্নদবগী থৌওং কোকহনবা ঙমদ্রি : এটোর্নি জেনরেল

ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সী):
সুপ্রিম কোর্টকী জজ মশেল নাকপাক তান্নবগী ফীভম হৌজিক ফাওবা য়াশিন্নবা ঙম্বগী ফীভমদা লৈত্রি। এপেক্স কোর্টকী জজ মরিনা পাউগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা চীফ জষ্টিশকী মথক্তা মরাল শীখ্রবা মতুংদা এটোর্নি জেনরেল কে কে ভেনুগোপালনা হায়খি মদুদি, হৌজিক ফাওবা জুদিসল ক্রাইসিস কোকহনবা ঙম্বগী ফীভমদা লৈত্রি।

মহাক্না হায়খি, নুমিৎ নীনি হুম্নি ৱারী শানরবা মতুংদা মোত মান্নদবা পূম্নমক কোকহনবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে। সুপ্রিম কোর্ট বার এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট বিকাস সিংহনসু চয়োল অসিগী মনুংদা জুদিসল ক্রাইসিস লোইশিল্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্কী ৱায়েলশঙ ওইরিবা সুপ্রিম কোর্টতা জজ মশেল মোত মান্নদবগী ফীভম অমা লাকপনা তোঙান-তোঙানবা কেস কয়া হিয়ারিং চথুগদৌরিবা জজ মঙানা শাবা কন্সটিট্যুসন বেঞ্চতা মোত মান্নদবা জজ মরি চীফ জষ্টিশনা য়াওহন্দনবা ফিরেপ লৌরকপা য়াই হায়না থাজনরি।

চীফ জষ্টিশ দিপক মিশ্রানা লুচিংবা জজ মঙানা শাবা কন্সটিট্যুসন বেঞ্চতা জষ্টিশ এ কে সিক্রি, জষ্টিশ এ এম খনৱিলকর, জষ্টিশ দি ৱাই চন্দ্রচুদ



অমদি জষ্টিশ অশোক ভুষন য়াওবা তারবসু খ্বাইদগী সিনিয়র ওইরবা জজ মরি- জষ্টিশ জে চেলামেশ্বর, জষ্টিশ রঞ্জন গোগোই, জষ্টিশ এম বি লোকুর অমসুং জষ্টিশ কুরিয়ন জোসেফতি য়াওহন্দ্রে।

জন্যুৱারী ১৭ তগী কন্সটিট্যুসন বেঞ্চনা তোঙান-তোঙানবা কেস কয়া হিয়ারিং চথুনবা থৌরাং তৌরি। মরুওইনা আধার এক্ট, ২০১৩; গে মেরিয়েজ অমসুং কেরলাগী সবরিমালা টেম্পলদা নুপী চঙহনবা য়াওনা তোঙান-তোঙানবা কেস কয়া কন্সটিট্যুসন বেঞ্চনা হিয়ারিং চথুনবা থৌরাং তৌরিবনি।

মমাঙ চহীগী ওক্টোবর ১০দসু জজ মঙানা শাবা কন্সটিট্যুসন বেঞ্চনা মরুওইবা কেস কয়া হিয়ারিং চথুখি। হায়রিবা কেসশিং অদুগী মনুংদা সেন্টর অমসুং দিল্লি গভর্ণমেন্টনা এদমিনিষ্ট্রেটিব জুরিসদিক্সন মুন্নবগী ৱাফম য়াওরি।

থবক্তগী পোত্থারবা সুপ্রিম কোর্টকী জজ অমা অমসুং হায় কোর্টকী জজ অহুম পূন্না জজ মরিনা কেসশিং শীন্নবগী মরম চাবা, ফজবা অমসুং মনুং-মপান নাইদবা প্রোসেস অমা ঙাক্লবা চীফ জষ্টিশ ওফ ইন্দিয়াদা অইবা চেরোল থাদুনা তকশিনবা লৈখ্রবনি। অসিগুম্বা প্রোসেস অমা ঙাক্না চৎপনা মরুওইবা অমসুং অরুবা কেসশিংগী অচুম্বা ৱায়েল পীবগা লোয়ননা জুদিসিয়ারিদা মীয়ামবু থাজহনবা ঙমগনি হায়না থবক্তগী পোত্থাখ্রবা জজ মরিগী চেরোল অদুনা ফোঙদোকখি।

চীফ জষ্টিশনা অরুবা অমসুং মরুওইবা কেসশিংবু ইশাগী অনিংবা অপাম্বগী মতুং ইন্না খনগৎপা জুনিয়র জজশিংদা শীন্নবগী থবক তৌরোই-দবনি হায়না থবক্তগী পোত্থারবা জষ্টিশশিং- পি বি সাৱান্ত, এ পি সাহ, কে চন্দ্রু অমসুং ঐচ সুরেশনা চীফ জষ্টিশতা পীশিনখিবা চেরোল অদুনা ফোঙদোকখিবনি।

# অদিত্যনাথনা চহী ১৬ শুরবা চৎনবী থুগায়দুনা আগ্রা সর্কুইট হাউসতা য়ারেকখ্রে



লক্ষ্ণৌ, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সী):
উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগী অদিত্যনাথনা চহী ১৬ শুরবা চৎনবী অমা থুগায়দুনা আগ্রা সর্কুইট হাউসতা অহিং য়ারেকখ্রে।

হৌখিবা চহী ১৬ লোম ষ্টেটকী চীফ মিনিষ্টর অমত্তনা হায়রিবা মফম অসিদা অহিং য়ারেকপা য়াওখিদ্রি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

লাইনিংবা মীওই অমা ওইরম্বদগী পোলিটিক্সতা খোঙদারকখিবা অদিত্যনাথনা চহী ২৯ শুরবা চৎনবী অমা থুগায়দুনা মমাঙ চহীদা নোইদা চৎপগী থৌওং অমসু লৈখ্রবনি। খ্বাইদগী ইকোন কোনবা ওইনা চহী ১৬কী মমাঙদা রাজনাথ সিংহনা য়ু পিগী চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা আগ্রা সর্কুইট হাউসতা অহিং য়ারেকপগী থৌদোক অমা লৈখ্রে। মপা চান্নরুবা হায়গদ্রা মতমদুদা রাজনাথনা আগ্রা সর্কুইট হাউসতগী হেক হল্লকপগা চীফ মিনিষ্টরগী ফম তাখি। মতম অদুদগী হৌনা ঙসি ফাওবা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর অমত্তনা আগ্রা সর্কুইট হাউসতা অহিং য়ারেকপা য়াওখিদ্রি।

মুলায়ম সিংহ যাদব, মায়াৱতি অমসুং অখিলেশ যাদবনচিংবা মমাঙগী চীফ মিনিষ্টরশিং ফম তাগনি হায়না চিংনবদগী আগ্রাদা চৎপা তারবসু সর্কুইট হাউসতা লৈবগী মহুৎতা মনাক নকপা ফাইব ষ্টার হোটেলদা অহিং য়ারেকখি।

অদিত্যনাথনা হন্দক সর্কুইট হাউসতা অহিং য়ারেকখিবগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা হায়খি মদুদি, অসিগুম্বা মখলগী অরানবা ৱাফমদা থাজবগী চৎনবী মপূং ফানা মুখৎপা পাম্মী। মীয়ামগীদমক থম্মোয় শেংনা থবক তৌবা চীফ মিনিষ্টর অমত্তা সর্কুইট হাউসতা অহিং য়ারেক্লুই হায়বগীদমক ফম লৌথোক্কদবা লৈতে।

টাজ মহল য়েংনবগীদমক আগ্রাদা থুংলখিবা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহু অমদি মহাক্কী লোয়নবী সারাবু তরাম্না ওক্লবগীদমক অদিত্যনাথনা আগ্রাদা লাকখিবনি।

পনবা য়াবদি, অদিত্যনাথনা হন্দক্তা গোরখপুর রেলৱে ষ্টেসন মনাক্তা লৈবা ময়ূম-মকৈ লৈজদ্রবা মীওইশিংগী মীথুংশঙ অমদা মাঙজৌননা পাউ পীবা তৌদনা চেক তৌবা লৈখ্রবনি।

চীফ মিনিষ্টরনা মতৌ অসুম্না কনামত্তদা পাউ পীবা তৌদনা সর্প্রাইজ চেক তৌবগী থৌওং হন্দক্না অহানবা নত্তে। হৌখিবা জন্যুৱারী ৩ দসু মহাক্না লক্ষ্ণৌগী বলরামপুর হোস্পিটাল মনাক্তা লৈবা নাইট শেল্টর অমদা সর্প্রাইজ চেক তৌখি।

যোগী অদিত্যনাথনা লুচিংবা উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টকী নিংবা কায়নিং-ঙাই ওইবা থৌওং অমদা হন্দক্তা লৌমীশিংনা বিধান সভা বিল্ডিং অমদি চীফ মিনিষ্টরগী রেসিদেন্স মনাক্তা আলু কয়ামরুম লংশিল্লকপগী থৌদোক অমা লৈখ্রে। পোত্থোক মাঙখিবগী মতাংদা লৈঙাক্না মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎলক্তবগীদমক লৌমীশিংনা থৌওং অদু চথুখিবনি।

# রাহুল গান্ধীনা জনতা দরবার পাঙথোক্তুনা মীয়ামগী ৱাকৎ তাখ্রে



অমেঠি, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সী):
মশাগী পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যু-য়েন্সি ওইরিবা অমেঠিদা লৈবা মুন্সি-গঞ্জ গেষ্ট হাউসতা কোংগ্রেস প্রসি-দেন্ট রাহুল গান্ধীনা জনতা দরবার পাঙথোক্তুনা মীয়ামগী ৱাকৎ তাখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা অমেঠিগী মীয়াম্না পুখৎলকপা ৱাকৎ পূম্নমক মুন্না তারবা মতুংদা রাহুলনা মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবগীদমক লৌখৎপা য়াবা থৌরাং লৌখৎকনি হায়না থাজবা পীখি। ঙসি অয়ূক অঙনবদগী হৌনা রাহুলগা উনবা ফংহৌনবগীদমক মশীং য়াল্লবা মীয়াম্না মুন্সিগঞ্জ গেষ্ট হাউসতা থুংলখি।

মমানা হ্বিল চ্যেরদা হাপ্লগা পুরক-খিবা অঙাং অমা লায়েংনবগীদমক রাহুলনা শেলগী তেংবাং পীগনি হায়নসু থৌরম অদুদা লাউথোকখি।

কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইরবা মতুংদা রাহুলনা ঙরাং অহানবা ওইনা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা অমেঠিদা থুংলখিবনি। মফম অদুদা হেক থুংলবগা মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগী অদিত্যনাথপু মীখল মতমদা শকখিবা ৱাশক ঙাকপা ঙমদে হায়না মরাল শীখি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা রাহুলনা উত্তর প্রদেশকী সেলোনদা থৌরম অমা য়াওবা লাকখিবা মতমদা কাঙলূপ অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অমা থোকখি। বি জে পিগী এম এল এ দাল বহাদুর কোরিনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্নদি রাহুলবু তরাম্না ওক্লবগী থৌরম পাঙথোক্লি-ঙৈদা বি জে পিগী ৱার্করশিংনা এটেক চথুরকখিবনি হায়রি।

# চহী ১৪ দগীনা ১৮ ফাওবদা লৈবা অঙাং চাদা ৪২ থবক শুরি : রিপোর্ট

ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সী):
মহৈ তম্লবসু নৎত্রগা তমদ্রবসু মশাগী চহী ১৪ দগীনা ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং চাদা ৪২ থবক শুরি হায়না প্রথম এদ্যুকেসন ফাউন্দেসননা থাদোরকখিবা রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

এন্যুএল ষ্টেটস ওফ এদ্যুকেসন রিপোর্ট (এ এস ঈ আর) ২০১৭-বিয়োন্দ বেসিক কৌবা রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না মশাগী চহী ১৪ দগীনা ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং অয়াম্বা মহৈ তম্লবসু নৎত্রগা তমদ্রবসু থবক শুবগী ফীভমদা লৈ হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট ইনফোর্মেসন সিষ্টেম ফোর এদ্যুকেসন (দি আই এস ঈ)গী দেটা মতুংইন্না কুমজা ২০০৪-০৫ অমসুং কুমজা ২০১৪-১৫গী মরক্তা অঙাংশিংনা ক্লাস আইটতা মিং চল্লকপগী চাং শরুক অনীরোম হেনখি। মমাঙদা অঙাং মিলিয়ন ১১ ক্লাস আইটতা মিং চল্লকখি। অদুবু কুমজা ২০১৪-১৫ দদি অঙাং মিলিয়ন ২২ রোম হায়রিবা ক্লাস অসিদা মিং চল্লকপা থেংনখি।

কুমজা ২০১১গী সেন্সস রিপোর্ট মতুংইন্না ইন্দিয়ন ১০ খূদিংগী মনুংদা অঙাং অমমম্দি মশাগী চহী ১৪ দগীনা ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইনি হায়রি। মতৌ অসুম্না চহী মতাং অসিদা লৈবা মীওই ক্রোর ১০ রোম লৈবাক অসিদা লৈরি। এ এস ঈ আর ২০১৭কী রিপোর্ট মতুংইন্না মশাগী চহী ১৪ দগীনা ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নহারোল চাদা ৮৬ স্কুল নৎত্রগা কোলেজদা মহৈ তম্লি। চহী মতাং অসিদা লৈবা মীওই তঙ্খায় অমরোম ক্লাস টেনদা তম্লি। অতোপ্পা অঙাং চাদা ২৫ না ক্লাস টেন নৎত্রগা টুয়েল্বতা তম্লি।



HL-B/4321/31Dec-1Feb.-Alt

# ভি ঐচ পিগী লুচিংবা প্রভিন টোগাদিয়া হাৎনবা অরোনবা থৌরাং লৌখৎলম্লে



জয়পুর, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সী):
নুমিৎ চুপ্পা অমা মফম খঙদনা মাঙলুরগা ৱাখল তাদনা লৈরম্বা থেংনখিবা বিস্বা হিন্দু পরিষদ (ভি ঐচ পি)গী ইন্টরনেসনল ৱার্কিং প্রসিদেন্ট প্রবিন টোগাদিয়ানা পাউমীশিংদা হায়খ্রে মদুদি, কনাগুম্বা মীওই খরনা মহাকপু হাৎনবা লৌতুনরে হায়বা ময়েক শেংনা খঙলে।

পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়খি, শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অমদা মহাক হাৎকদৌরে হায়বা পাউ অমা ফংবদগী ওফিস থাদোক্তুনা মফম অমদা লোৎখি। অযোধ্যাদা রাম মন্দির শানবা থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা ষণ হাৎপশিংগী মায়োক্তা অকনবা ফিরেপ লৌখিবা অমসুং লৌমীশিংগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলুবগীদমক মীওই খরনা মহাকপু হাৎনবা হোৎনরকপনি হায়না প্রবিন টোগাদিয়ানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কনানা করি মরমগী মহাকপু হাৎকদৌরিবনো হায়না হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা টোগাদিয়ানা কনাগুম্বা মীওই অমত্তগী মশক মমিং পনবা তৌখিদে। মহাক্না হায়খি, মতাং মতম চারবা মতমদা খূদম চাংদম পুথোক্তুনা মীওই পূম্নমক লৈবাক মীয়াম খঙনা লাউথোক্কনি।

নুমিৎ চুপ্পা অমা থিবা খঙদনা লৈরুরবা মতুংদা ৱাখল তাদনা লৈরম্বা থেংনরকখিবা টোগাদিয়াবু হৌজিকসু হোস্পিটালদা লায়কন্নরি। জেদ প্লস কেটগোরিগী সিক্যুরিটি পীরিবা ভি ঐচ পিগী লুচিংবা অসি খূদোংথীবা মায়োক্লরকপা য়াবা মরম্না হৌজিক হোরেল হোস্পিটালদগী থোরকখিরোই হায়রি।

ব্লদ সুগর নেম্বদগী ৱাখল তাদনা সাহিবোগ এরিয়াদা লৈরম্বা থেংনখিবা ভি ঐচ পিগী লুচিংবা অসি চন্দ্রমনি হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরকখিবনি।

প্রবিন টোগাদিয়ানা পার্টি ওফিসতগী মফম খঙদনা মাঙখিবগী মতাংদা ভি ঐচ পি শৌগৎপা মীওইশিংনা মফম কয়াদা খোঙজং চঙশিল্লকখি। অদুবু, টোগাদিয়ানা মীদিয়াগী খূত্থাংদা মীয়াম্বু ঈংনা-চিক্না লৈবীনবা আপিল তৌরকপদগী খোঙজং চঙশিল্লম্বা ভি ঐচ পিগী ৱার্করশিং খোঙফম হন্দোকখি।

## /Imphal Municipal Corporation Elected Member's Form গী থৌ-পুবা খনখ্রে

ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ইলেক্তেদ মেম্বর ফোরমগী জেনরেল বোদি মীটিং অমা পাঙথোক্তুনা কুমজা ২০১৮ অমসুং ২০১৯ গী ওফিস পুননবা মখাগী মীওইশিং অসি মৎ অমত্তা ওইনা খল্লে।

*মীওইশিং অদুদি ঃ*

| | |
|---|---|
| ১) হুইনিংশুবম শান্তিকুমার সিংহ | প্রসিদেন্ট |
| ২) কাকম হাওকিপ, য়েন্দ্রেম্বম প্রেমিলা, কৈশাম জয়চান্দ, চবুংবম বিপিল | ভাইস-প্রসিদেন্ট |
| ৩) এলাংবম চান্দিকুমার (গুনি) সিংহ | সেক্রেটরি জেনরেল |
| ৪) চোংথাম তোম্বী সিংহ, মৈনম চিত্রগন্দা দেবী, সাইখোম রজনিকান্তা | জোইন্ট সেক্রেটরি |
| ৫) অথোকপম বোবি দেবী | ফাইনান্স |

*একজ্যুকিটিব মেম্বরশিং অদুদিঃ* থৌনাওজম প্রানঞ্জয় (ননজয়) সিংহ, মুবারক অলি, শন্তোস (ককামচা) সিংহ, নিঙোম্বম ইমোচাবী সিংহ

Sd/- E. Chandikumar Singh
Secretary General

HL-P/392/17

## / Bhartiya Mazdoor Sangh গী National Secretary দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ভারতিয়া মজদুর সঙ্ঘগী নেসনল সেক্রেটরি অমসুং নোর্থ ইষ্টকী ইন-চার্জ ওইনা পুবীরিবা এন. তোম্বা সিংহ ঙসি দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে। মসিগী মরমদি, November 17th 2017 তা দিল্লিগী জন্ত্র-মন্ত্রদা মীওই লাখ ৫ (মঙা) না তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী দিমান্দশিং পীশিনবগা লোয়ননা দিমান্দ কয়া য়ানখ্রবা মতুংদা ৱাৎহৌরিবা দিমান্দশিং খন্নবা Women & Child Division, I.C.D.S হায়না খঙনরিবা দিপার্টমেন্ট অসিগী মীটিং য়াওরুনবগীদমক্তা খোঙচৎ অসি চৎলিবনি। মপুং ওইবা দিমান্দশিংদি :

১) অঙ্গনৱাদি ৱার্কর/হেল্পরশিংবু সরকারগী ইমপ্লোয়ী ওইনা লাউথোক্কদবনি অমসুং সোসিয়েল সিক্যুরিটিগী কান্নবা খুদিংমক অথুবা মতমদা ফঙহনগদবনি।

২) অঙ্গনৱাদি ৱার্কর/হেল্পরদগী প্রমোসন ওইনা চহী ১০ (তরা) গী এক্সপরিয়েন্সতা প্রমোসন কাখিবা সুপর্ভাইজরশিং C.D.P.O কাবা য়ানবা অথুবা মতমদা মখোয়গী রিজর্ব থম্বীগদবনি। অঙ্গনৱাদিগী সর্টিফিকেট য়াওদনা স্কুলশিংদা এদমিসন তৌবগী অয়াবা পীবিদনবা শীনবীয়ু। হায়রিবা দিমান্দশিং অসি নোর্থ ইষ্টকী ওইনা মিনিষ্ট্রিগা উনরগা খন্নরুনবগীদমক্তা ঙসি ইম্ফাল থাদোকখিবনি।

Sd/- Th. Bina Devi
Joint Secretary, B.M.S.
Manipur State

HL-P/4935/17

## /রেজিষ্টর তৌরগনি

Manipur Stephia Powerloom Entrepreneurs Association (MSPEA) হায়না মণিপুরদা পুথোকপা Powerloom শিংগী ওইবা Entrepreneur শিংগী অপুনবা এসোসিয়েসন অসি রেজিষ্টর তৌরগনি। কনাগুম্বশিংনা এসোসিয়েসন অসি রেজিষ্টর তৌবা অসিদা য়েৎপীনিংবা অমদি হায়নিংবা ৱাফম লৈরবদি ঙসি তাং ১৬/০১/২০১৮ ইংদগী হপ্তা অমগী মনুংদা হায়বীরবা য়াগনি, মখা তাবা ৱাকৎ এসোসিয়েসন অসিনা লৌজরোই। মখাদা পীজরিবা লৈফম অমদি ফোন নম্বর অসিদা কন্টেক্ট তৌবীয়ু।

**Register Office :**
**Thongju Part-2, Nameirakpam Leikai**
**Imphal East, Manipur-795 008**
**Phone No.: ☎ 7085909632**

Sd/- SECRETARY
Manipur Stephia Powerloom
Entrepreneurs Association

HL-P/4936/17

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEIROK

*Ref:- Mut. Case No. 6/SDC/HRK* *Dated 15/01/2018*
Moirangthem Surendro Singh S/o Shamo Singh of Heirok Part II Bazar.
... Petitioner
-Vs-
Shreemati Maharajkumari Tamphasana Devi D/o (L) Dhanachandra Singh Maharaj of Rajbari.
... O.P. Party

### /NOTICE

Heirok, the 15th Jan., 2018

নোটিস অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহঞ্জরি মদুদি, খুল নং ১২৮ হৈরোক পার্ট-I পাট্টা নং: ৮৬৪ অরিবা ১০২৯ অনৌবা পাট্টাগী দাগ নং: ১০৮৯ গী এরিয়া ১.৩২৬২ হেক্তর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাল্লিবা Recorded Pattadarini শ্রীমতি মহারাজকুমারী তম্ফাসনা দেবী পীং মৃ: ধনচন্দ্রা সিংহ মহারাজ সাং রাজবারীদা লৈবগী মমীংদা নামা পাল্লিবা লৌফম অসিগী মনুংদগী ময়ায় থংবা শরুক্তা এরিয়া ০.৫৪২৩ হেক্তর চাওবা লম মখৈ নামা পানবীরো হায়দুনা মোইরাংথেম সুরেন্দ্রো সিংহ পীতা শামো সিংহ সাং হৈরোক পার্ট-II বাজারদা লৈবনা মশানা দখল তৌজরিবা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা হায়রিবা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৩/১/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১:৩০ ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা ওবজেক্সন/দরখাষ্ট থারকপা য়াগনি। হায়রিবা তারিখ অসিগী মতুংদা লাকপা আপত্তি/ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই অমসুং হৌনবী মতুংইন্না কেশ মখা চথখ্রগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Heirok

HL-P/394/17

## /দশা য়েংজরি



অনৌবা চহীগী দশা, মহৈ-মশিং, অৱাংবা একজাম, সিভিল সর্ভিস, নীট থাগদবা, মীরমদা চৎপা, থবক-করবার, শেল লাক্লবা, য়ুম্বাল ফননবা, অঙাং য়াওননবা, হায়ন-তানবা য়ানবা, চিঞ্জাক ফননবা মতম লৈরিঙৈ য়েংথোকপীয়ু। চহী ৩৫ হেন্না মীয়ামগী সেবা তৌজরক্লবা, মপাল্লমগী মমীং লৈরবা ওঝা-গুরু কয়াগী পাউতাক ফংলবা, নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেল থাক্তা মনা কয়াসু ফংজরবা, কুঠী অমদি খুবাক ময়ি য়াম্না সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি।

*মীয়ামগীঃ- জ্যোটিষ মহাঋষি*
**Dr. Ph. Rajendra**
Nongmeibung, Near Community Hall
Academy Road, Imphal

HL-P/377/14/1-13/2

## IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY AND SETTLEMENT OFFICER /VIII
## Government of Manipur

*Ref:- Mut. Case No. 1/A.S.&S.O/VIII* *Dated : 16/01/2018*
Akoijam Ratan Singh S/o Late Akoijam Natum Singh of Thoubal Nongangkhong.
-Petitioner
-Vrs-
(Late) Akoijam Natum Singh S/o Late Meino Singh of Thoubal Nongangkhong.
-O.P.P.

### /NOTICE

Dt. 16/012018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না ইখ্খোল দুকান অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবালগী মনুংদা লৈবা খুল নং ২৮-থৌবাল অচৌবা পাট্টা নং ১১৯৩ (অরিবা) ১৫১৩/১৬০৪ (অনৌবা) দাগ নং ২০৫০ এরিয়া ০.০০২৫ হেক্তর চাওবা ইখ্খোল দুকান অসিগী পাট্টাদার অকোইজম নাতুম সিংহ অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত: পাট্টাদারগী মমীং কল্লগা মহাক্কী মচানুপা অকোইজম রতন সিংহদা লম অসি নামা পানবিরো হায়না মথক্কী কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইখ্খোল দুকান অসিগা মরি লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌবিনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কদবনি। মতুংদা লাকপা ওবজেক্সন অমত্তা কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

Sd/- Th. Shantikeshwar Singh
Asstt. Survey and Settlement Officer/VIII
Thoubal, Manipur

HL-P/391/17